# সুস্মা স্বরাজনা চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্টরগা উন্নদুনা লৈবাক অনীগী মরক্তা কলচরগী মরি ফগৎহন্নবা খন্নখ্রে

*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২১ঃ*

কলচরগী লৈনবা মরি ফগৎহন্নবগী মায়কৈদা অতোপ্পা খোঙথাং অমা ওইনা নৌনা লিংখৎখিবা ফ্রেমৱার্ক অমগী মখাদা এক্সটর্নেল এফিয়ার্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজনা চিনাগী ফম মান্নবা ৱাং য়িগা কলচরগী মরিশিং ফগৎহন্নবা অমসুং মীয়ামগা মীয়ামগা তোৎনা-তিন্নবা হেনগৎহন্নবা মপূং ফানা ৱারী শানখ্রে।



চিনাগী ফোরেন মিনিষ্টর অসি চহি অসিগী এপ্রিলদা ৱুহান্দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা চিনাগী প্রসিদেন্ট জি জিনপিংগগী মরক্তা ইনফোরমেল ওইনা য়ানখিবা অনৌবা মেকানিজম অদুগী অহানবা মীফম য়াওনবা ওইনা নুমিৎ ৪নিগী খোঙচৎতা ঙসি ইরাই নুমিৎকী অঙনবদা ন্যু দিল্লিদা থুঙলখিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ৱুহান সমিট অদুদা মহাক্না পুখৎখিবা 'হায় লেভেল মেকানিজম ওন কলচরেল এন্দ পিপল টু পিপল এক্সচেঞ্জেস'গী মখাদা নাকন অনীগী মরক্তা ৱারী শানখিবা অদুদা মহাক্না নুংঙাইবা ফোঙদোকখি।

ঐখোয়গী লৈবাক অনীগী মীয়ামগী মরক্তা হৌজিক মতমগী ওইবা মওংদা তোৎন-তিনবা অমসুং ৱাখল ফাওদোক্নবা হেনগৎহনবনা লৈবাক অনীসিগী মরক্তা থাইনদগী লৈনরকপা মরিশিং অদু অমুক হন্না চেৎশিহল্লগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি।

অনৌবা মেকানিজম অসি মীয়ামগা মীয়ামগাগী মরি হেনগৎহনবগী পান্দমদনি হায়না এক্সটর্নেল এফিয়ার্স মিনিষ্ট্রিগী ৱাংলোই রবীশ কুমারনা হায়খি।

নাকন অনীনা টুরিজম, আর্ট, ফিল্মস মেদিয়া, কলচর, যোগ, স্পোর্টস, একাদেমিক অমসুং য়ুথ এক্সচেঞ্জদা তেঙবাংনবা হোনগৎহন্নবগী লম্বীশিং খন্নখি হায়রি।

হৌখিবা চহিদা দোক্লামদা মখোয়গী মীলিটরি অনীগী মরক্তা থা অনী মুক্নন্দুনা লৈখিবা অদুগী মতূংদা লৈবাক অনী অসিনা মখোয়গী হান্নগী মরি অমুক হন্না লৈনহন্নবা খোঙথাং কয়ামরুম লৌখৎপা হৌখি।

হৌখিবা থাদা অর্জেন্টিনাদা পাংথোকপা জি-২০ সমিটকী নাকন্দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং প্রসিদেন্ট জি জিনপিং উন্নখি। মদুদা মখোয়গী ৱুহান সমিটিতা নাকন অনীগী মরি ফগৎহন্নবগী লৈনখিবা ৱাখল অদু ফোঙদোক্নখি। অমসুং ইন্দিয়া-চিনাগী লৈনবা মরিশিংগীদমক ২০১৯ অসি অমুক হেন্না ফবা চহি অমা ওইনি হায়বা থাজবা ফোঙদোক্নখি।

# ইস্লামাবাদকী শেনগী অৱাবদা তেঙবাংনবা য়ু এ ইনা পাকিস্থান সেন্ট্রেল বেঙ্কতা দোল্লর বিল্লিয়ন ৩ থমজিল্লগনি



*অবু ধাবী, দিসেম্বর ২১ঃ*

পাকিস্থাননা বেলেঞ্জ ওফ পেমেন্স ক্রাইসিস অমগী অৱাবা কোক্নবা ৱানা হোৎনরিবা অদুদা তেঙবাংনবা য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটস (য়ু এ ই)না পাকিস্থানগী সেন্টেল বেঙ্কসতা দোল্লর মিল্লিয়ন ৩ থমজিল্লরগনি হায়না ষ্টেট মেদিয়ানা ঙসি ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

গভর্ণমেন্টনা মপু ওইবা অবু ধাবী ফন্দ ফোর দিভলপমেন্ট (এ দি এফ দি)না দিরহাম বিল্লিয়ন ১১গী শেনফম অদু লাক্লিবা নুমিৎ খরনিগী মনূংদা শোয়দনমক ট্রান্সফর তৌরবা য়াই হায়না দবলিয়ু এ এম নিউজ এজেনসিনা হায়খি।

এ দি এফ দি দগী থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমা পল্লদুনা ষ্টেট নিউজ এজেন্সি অদুনা শেনফম অদু ইস্লমিক রিপব্লিক ওফ পাকিস্থানগী ফাইনান্সিয়েল অমসুং মোনিটরি পোলিসি শৌগৎনবনি হায়খি।

হৌখিবা চহিদা সেন্ট্রেল বেঙ্কনা ৬শুবা দিভেলুয়েসন অমা ওইরম্বা য়াবা খোঙথাং অমগী তূংদা নবেম্বর থাগী লোয়শিলকপদা রুপীগী ভেলু খ্বাইদগী নেম্বা রেকোর্ট ওইনা চাদা ৫ নেমথখি। নবেম্বর থাদা পাকিস্থানগী ওফিসিয়েলশিংগা ওইথোকপা য়াবা আই এম এফ বেলআউট অমগী মতাংদা ৱারী শাননবগীদমক ইন্টরনেসনেল মোনিটরি ফন্দগী টিম অমা লৈবাক অসিদা লাকখি। অদুবু য়ান্নবা অমতা পুরকপা ঙমদনা ৱারী শানবা লোয়শিনখি।

১৯৮০গী মতমদগী হৌনা আই এ এফতগী চাং নাইনা শেস পুদুনা লাকখিবা অমা ওইরিবা পাকিস্থাননা অরোইবা ওইনা দোল্লর বিল্লিয়ন ৬.৬ লোম আই এম এফ বেলআউট অমা ২০১৩দা ফঙখি।

লৈবাক অসিনা সাউদি অরাবিয়াদগী দোল্লর বিল্লিয়ন ৬কী ফন্দিংসু ফঙখি। অমসুং পাকিস্থান প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানগী কিঙদম অদুদা ওক্টোবর থাদা চৎখিবা খোঙচৎ মনূংদা লৈবাক্কী শেন-থুমগী ফিভম হিংহন্দুনা থন্নবগীদমক থা ১২গী দিল অমা তৌনখি।

ঐখোয়গী অসিগুম্বা ৱাবা মতমদা অসুক য়ান্না পূকচেল চাওনা পাকিস্থানবু শৌগৎপীরকপগীদমক য়ু এ ইবু থাগৎচরি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর খান্না ঙসি ফোঙদোকখি। ইস্লামবাদনা আশা চাওরবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী প্রোজেক্টশিংগী অচঙবা শেনফম পুথোকপা ঙন্নবা দোল্লর মিল্লিয়ন কয়াগী চাইনিজ লোনশিংসু ফঙখ্রবনি।

# হৌজিক্কী ওইনা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা বি জে পিনা যাত্রাশিং পাংথোকপা য়াররোই, কোর্টনা রাই রিভিয়ু তৌরগনি

*কোলকতা, দিসেম্বর ২১ঃ*

বি জে পিদা অচৌবা অশা কায়হনবা অমা ওইনা কলকাতা হায়কোর্টকী দিভিজন বেঞ্চ অমনা মথঙ চহি লোক সভা মীখল মাংওইননা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা সেফ দেমোক্রেসি হায়বা মীয়ামগী অচৌবা খোঙচৎ ৩ পাংথোকহন্নবা অয়াবা পীবা হান্নগী ওর্দর অমা ঙসি নাকন্দা থৈদোক্তুনা থমখ্রে।



ঙরাং কোর্ট অসিমক্কী সিঙ্গল-জজ বেঞ্চ অমনা মমাঙগী রুলিং অমা মথক-মখা ওষ্তোক্তুনা বি জে পিগী রথ যাত্রাগী খোঙচৎশিং চৎহন্নবগী অয়াবা ইঙ্গিৎ অমা পীখিবনি। বি জে পিগী রথ যাত্রাশিং অদুনা ষ্টেট অসিদা কাংলূপকী ওইবা খূৎ থোক্নবশিং থোকহল্লকপা য়াই হায়বা মমতা বেরনজি গভর্ণমেন্টকী ৱাফম অদু মমাঙগী রুলিং অদুনা য়াখিবনি।

গভর্ণমেন্টনা চীফ জষ্টিস দেবাসিস করগুপ্তা অমসুং জষ্টিস সম্পা সরকারনা শাবা দিভিজন বেঞ্চ অমদা ৱায়েল অদুগী ময়োক্তা অপিল তৌদুনা য়ানীংদবা ফোঙদোকখি। কেস অসি য়ান্না অথুবগী মওং অমা ওইবনা খুদক্তা হিয়ারিং চৎখবীয়ু হায়খি।

মদুগী মখা তারকপা ঙসি চীফ জষ্টিস করগুপ্তনা লূচিংবা হেন্না চাউবা বেঞ্চ অমদা হিরম অদু হিয়ারি তৌনবা লৌখৎখি অমসুং কেস অদু অরোইবা ৱারেপ অমা লৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা লো এন্দ ওর্দরগী হিরমগুম্বশিংগী মতাংদা ইন্টিলিজেন্সকী পাউ করি লৈবা হায়বদু খন্থনবা পাউতাক্কা লোয়ননা সিঙ্গল-জজ বেঞ্চ অদুদা অমুক হন্না থাদখি।

কোর্ট অদুনা হায়খি, ঙরাংগী ওর্দর অদুদা গভর্ণমেন্টকী আরগুমেন অদু করিনো হায়বা মদুগী মরমনচিংবা কোর্ট অসিনা য়েঙশিনখিদে অমসুং মদুগী মহুত্তা মীয়ামগী খোঙচৎকী থৌরম অদুদা লো এন্দ ওর্দর কায়হনবগী থৌদোক থোকহন্দনবা গভর্ণমেন্টতা খঙহনখিবনি।

হরাওবনা মথোয় করক্লবা বি জে পিনা ঙরাংগী কোর্টকী ওর্দর অদু তরান্না ওকখি অমসুং ষ্টেট লিদরসিফতা নূংঙাইবা ফোঙদোক্লবা য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেতলিনা সোসিয়েল মেদিয়া শিজিনখি।

বি জে পিনা রথ যাত্রাগী খোঙচৎশিং অদু পাংথোক্কদবা নুমিৎনি হায়না দিসেম্বর ২৮,২৯অমসুং ৩১ লেপখি।

ষ্টেট অসিদা রথ যাত্রাশিং অদু কনমত্তনা থিঙবা ঙম্লোই হায়না বি জে পি প্রসিদেন্ট অমিত শাহনা মমাঙদা ৱার্নিং তৌখিবনি।

# হান্নগী প্রসিদেন্ট জরদাররি দিসক্কলিফাই তৌনবা চে থারকখ্রে

*ইস্লামাবাদ, দিসেম্বর ২১ঃ*

লৈঙাক পায়রিবা পাকিস্থান টেহরীক-ই-ইনসাফ (পি টি আই)না ইলেক্সন কমিসন ওফ পাকিস্থান (ই সি পি)দা লৈবাকসিগী হান্নগী প্রসিদেন্ট অমসুং ওপোজিসন পাকিস্থান পিপলস পার্টি (পি পি পি) কো-চিয়ারপার্সন অসিফ আলি জরদাররিবু মহাক্কী এসেটস লোৎশিনবগীদমক দিস ক্কালিফিকেসন তৌনবা ঙরাং শগোলশেন নুমিৎতা চে থাংগৎখ্রে।



খোঙথাং অসি হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ সারিফকী মথক্তা শেঞ্জা -থুমজাগী কেস ২দা এন্টি-করপসন কোর্টকী ৱায়েল লাওথোক্কদৌরিবা অদুগা মতম ফাংজিন্নরি। কোর্টনা সরিফকী ময়োক্তা মখোয়গী ৱায়েল অদু দিসেম্বর ২৪ ফাওবা রিজার্ব তৌখিবনি।

মশাগী চহি৬৩ শুরবা জরদাররিগী মথক্তা চেরোল অদু, ২০১৮ জেনরেল ইলেক্সনগীদমক মাগী নোমিনেসন ফোমদা ন্যু য়োর্ককী ৫২৪ ইষ্ট ৭২ ষ্ট্রীটতা লৈবা বেলায়র কোন্দোমিনিয়মসতা মহাক্না মপূ ওইরিব এপারমেন্ট অমা জরদাররিনা লাওথোক্তে হায়রদুনা পি টি আই সিন্ধ এম পি এ খুরাং সেরজামননা প্রোভিন্সিয়েল ইলেক্সন কমিস্নারদা থাংগৎলকখিবনি।

অসিফ আলি জরদাররি খা থঙবা শিন্ধা প্রোভিন্সকী সহিদ বেনাজিরাবাদ কষ্টিট্যুয়েনসিদগী নেসনেল এসেমব্লিগী মেম্বর অমা ওইনা মীখলদা খল্লকখিবনি।

হৌখিবা মতমদগী চৎনরকপী ওইনা লৈবাক অসিগা কনষ্টিট্যুসনগী আর্টিকল ৬২ (১) (এফ)কী মখাদা অমসুং ইলেক্সন কমিসন ওফ পাকিস্থানগী রুলসকী মখাদা পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর অমা ওইনবগী মাংজৌননা থম্বা কন্দিসন- পূকচেন শেংবা অমসুং অচুম্বা চৎপা অদু ওইদবগীদমক জরদাররিবু পব্লিক ওফিস পায়বদগী দিসক্কলিফাই তৌবা য়াই।

হায়রিবা চপ মান্নবা প্রোভিজন অসিগী মখাদা পানামা পেপরস কেসতা ২০১৭ জুলাই ২৮তা জজ ৫গী সুপ্রিম কোর্ট বেঞ্চ অমনা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ সরিফ দিসক্কলিফাই তৌখিবনি।

# প্রসিদেন্টকা য়ানদবদগী য়ু এস দিফেন্স চীফ ফম থাদোকখ্রে

*ৱাসিংতন, দিসেম্বর ২১ঃ*

সিরিয়া অমসুং অফগানিষ্টানদগী য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল ট্রম্পনা লান্মী লৌথোক্লগনি হায়বগী মতাংদা য়ানরক্তবদগী দিফেন্স চীফ, থবক্তগী পোখরবা মেরিন জেনরেল জেমস মেট্টিস ঙসি শগোলশেন নুমিৎতা ইখঙ খঙহৌদনা রিজাইন তৌখ্রে।



সেক্রেটরি ওফ দিফেন্স জেমস মেট্টিসনা ফম থাদোকখিবা অসিনা য়ু এসনা মায়োক্নরিবা মালেমগী শিংনবশিং অসিগী মতাংদা য়ু এস এদমিনিষ্ট্রেসননা করম্বা পোলিসি চথগদৌরিবগে হায়বগী অনৌবা তম্বাঙমদবা অমা হাপচিনখ্রে।

মেট্টিস য়াওনা প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা মাগী এদভাইজরশিংগী মৱা লৌখিদে। মহাক্না সিরিয়া অমসুং অফগানিষ্টানদগী য়ু এস ট্রুবশিং লৌথোক্লবা লাওথোকখি। অদুবু খোঙথাং অদুনা অমেরিকাগা পূল্লিবা খোঙবু লৈবাকশিংবু থমোয় শোকহনখি।

সিরিয়াদগী ট্রুপশিং লৌথোকপনা রাসিয়া ইরান অমসুং সিরিয়ান লিদর বাসেল অসাথতা মায় পাকপা অমা খূৎশিন্নবগা মান্নগনি হায়না জেমস মেটিস অমসুং অতৈ মকোক থোংবা এদভাইজরশিংনা চিংনরি।

## 'য়ু এসনা ন্যুক্লিয়ার ৱার থোকহনগদৌরে'

*মোস্কো, দিসেম্বর ২১ঃ*

প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ন্যুক্লিয়ার ৱার থোকপা য়াবগী খুদোঙথিবা অদু হেনগৎহল্লে হায়বগী মরাল শীখ্রে।

চহিগী ওইনা পাংথোকপা মখল অসিগী ১৪রক শুবা থৌরমদা পূং ৩ হেন্না চৎখিবা পাউজী মীফম অমদা প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা য়ু এস প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা সিরিয়াদগী লান্মী লৌথোক্লবগী ৱারেপ শৌগৎখি অদুবু মোস্কো অমসুং ৱাসিংতনবু য়ুরোপতা অতেনবা অমসুং ময়াই ওইরপ শাংবা কংফালদা থম্বা মিসাইলশিং অথিংবা থম্বা ১৯৮৭ ইন্টরমেদিয়েৎ-রেঞ্জ ন্যুক্লিয়ার ফোর্সেস ট্রিটি (আই এন এফ)তগী তোক্নবা ৱাসিংতননা ধমকা তৌখিবনি।

## সিদনিদা টেনিস বোলমুক চাউবা লেন তাখ্রে

*সিদনি, দিসেম্বর ২১ঃ*

অষ্ট্রেলিয়াগী খ্বাইদগী চাওবা সিটি সিদনিদা ঙসি অয়ুক নোং খাকপা অমসুং লেন তবগী নোংলৈনুংশিংনা পাকচাওনা অমাং-অত থোকহনখ্রে। টেনিস বোলমুক চাউবা লেনশিংনা কারশিংদা থোম্বদা অকাই-অতোই থোকখ্রে। হৌজিক ফাওবদা দোল্লর মিল্লিয়ন ৫৭ লোমগী অমাং অতা থোক্লে হায়বগী ক্লেমশিং লাক্লে হায়না ইন্সুরেন্স ওফ কাউন্সিল ওফ অষ্ট্রেলিয়ানা হায়রি।

# য়ূমদি হেন্না পীক্লম্বা য়াই, অদুবু হান্নগুম্না থম্মোই চাউই হায়না শিবরাজ চৌহাননা ফোঙদোকখ্রে

*ভোপাল, দিসেম্বর ২১ঃ*

হান্নগী মধ্য প্রদেস চীফ মিনিষ্টর শিবরাজ সিংহ চৌহাননা ইলেক্সনদা মায়থিখ্রবা তূংদা মাগী অচৌবা য়ূমদা হোঙজিলকখ্রে। মসি মমাঙগীদগী হেন্না পীক্লম্বা য়াই অদুবু থম্মোইদি হান্নগী হান্নগুম্না অদুমক চাওরি হায়না ঙসি ইরাই নুমিৎতা মহাক্না ফোঙদোকখ্রে।



মধ্য প্রদেসকী অহুম্নক চীফ মিনিষ্টর ওইরম্লবা শিবরাজ সিংহ চৌহান, ৫৯, না ষ্টেট ইলেক্সনদা বি জে পি মায়থিবদগী ৪রক শুবা তার্মগী চীফ মিনিষ্টর ওইনবা মহাক্না হোৎনবদু মায়থিখিবনি।

ঙসিদগী ঐহাক্না ঐগী অনৌবা একোমোদেসন বি-৮ ৭৪ বঙ্গলোদা নখোয়গা উন্নরগনি য়ূম অসি হানগীদগী হেন্না পীকই অদুবু থম্মোইদি হান্নগী হান্নগুম্না চাউরি। ননীং তন্না লাকউ অমসুং ঐগা উন্নরুৱাউ ঐগী য়ূম অসিগী থোঙশিং নখোয়গীদমক মতম পূম্বদা হাংদুনা থল্লি। পূন্সি অসি সুপ্নদগী নখোয়গীদমক্তা কখোক্লবনি হায়না মিষ্টর চৌহাননা ট্বিট তৌখি।

ইলেক্সনদা মায়থিরবা মতূংদা শিবরাজ সিংহ চৌহানগী অফবগীদা খনবা ৱাখল্লোন অদুগা লোয়ননা মহাক্কী য়েক্নবা লাম্বাশিং ফাওববু নুংশিননা লোয়নখি। মহাক্কী মহুত্তা চীফ মিনিষ্টর ওইগদৌরিবা কংগ্রেসকী কমলনাথকী ৱাশক লৌবগী থৌরমদা মহাক্না শরুক য়াখি অমসুং ফম্বাক মথক্তা কংগ্রেস লূচিংবশিংগা লোয়ননা ফোতোগ্রাফ লৌননবগী লেপমিন্নবদা মোমোন নোকখি। মহাক্না অনৌবা মধ্য প্রদেস চীফ মিনিষ্টর কমলনাথকা লোয়ননা ফোতোগ্রাফ লৌন্নবগীদমক কেমেরাগী মমাঙদা লেপমিন্নখি।

য়ুমশকৈশা নুমিৎতা, মহাক্কী কষ্টিট্যুয়েনসি বুধনিদা চৎপা খোঙচৎ অমদা মহাক মখোয়গীদমক্তা মফম অসিদা লৈরগদবনি হায়না মীয়ামদা থাজবা পীখি। মদুদা মহাক্না মীয়ান্না পান্নখিবা ভেলিৱুদ ফিল্মগী ৱারোল অমা পল্লদুনা 'টাইগর অভি জিন্দাহে' (মথৌনা ফবা হেরো অদু হৌজিকসু হীংলি) হায়খি।

মীয়াম পাক্তক্না উননবগী থৌরম অমদা ষ্টেট অসিগী খূঙ্গং খুদিংমক্তা মহাক্না চৎকনি হায়নসু লাওথোকখি। মিষ্টর চৌহাননা হন্দক্কী ষ্টেট এসেমব্লি মীখল অদুদা য়ান্না অকনবা মওংদা থেঙনখি। মদুনা মরম ওইদুনা কংগ্রেসতা অচৌবা শীংনবা অমা ওইখি অমসুং কংগ্রেসনা মেজোরিটি চপচানা ফঙবা ঙমদবদগী ময়াবতিগী বি এস পিগী শৌগৎপা মথৌ তাখি।

হান্নাগী চীফ মিনিষ্টর অসিনা ২০১৯ নেসনেল ভোর্টগীদমক বি জে পিনা থৌরাং তৌরকপগা লোয়ননা মরুওইবা শক্লোন অমা লৌগনি হায়বগী ইঙ্গিৎ পীরদুনা ষ্টেট অসি মহাক্না থাদোক্লোই হায়না থাজবা পীখি।

**In the Court of the Sub-Deputy Collector**
**Heirok**
*Mutation Case No. 409/SDC/Heirok Dated 20/12/2018*

1) Ningthoujam Noben Singh S/O Late Bidur Singh of Heirok part (II) Bazar.
2) -do- Itoba Singh S/O Late -do- of -do-

***- Petitioner***

***-Vrs-***

Ningthoujam Bidur Singh S/O (L) Leibakmacha Singh of Heirok Part(II) Bazar.

***- O. P.P.-***

**NOTICE**

*Heirok 20th December 2018*

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরি লৈনবা মিওইশিংদা খংহনজরী মদুদি হৈরোক তহসিল খূল নং ১২৯ হৈরোক পাট (২) পাটা নং ৩০৫ অরিবা ৪৫০ অনৌবা ২০২৬ নং দাগকী হেক্টর .৩১৪৯ চাওবা ইংখোল অসিগী পাটাদার নং (৪) নিংথৌজম বিদুর সিংহ অসি মৃতু ওইখরে। পাটাদারগী মচা নুপা অনি (১) নিংথৌজম নোবেন সিংহ (২) ঐ ইতোবা সিংহ মখোয় অনীনা দখল তৌজরীবা ইংখোল মখা অমসুং অৱাংদা .০৪৮৫ অমসুং .০৩২৩ হেক্টর অসি নামা পানবীরো হায়দুনা এস দি সি/কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। ইংখোল অসিগা মরিলৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপিনিংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোংবা নুমিৎ ৩দগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনূংদা এস দি সি/হৈরোক কোর্ট অসিদা অইবা চেনা অপিল তৌরবা য়াগনি। হায়রীবা নুমিৎ অসিগী মতূংদা লাকপা অপতি লৌজরোই। হৌনবী মতূং ইন্না কেস মখা চংখ্রগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
**Heirok**

*SL/4262(b)22*

**In the Court of the Sub-Deputy Collector**
**Heirok**
*Mutation Case No. 408/SDC/Heirok Dated 20/12/2018*

Thokchom Milan Singh S/O Late Khomdon Singh of Heirok part (II) Bazar.

***- Petitioner***

***-Vrs-***

Late. Thokchom Khomdon Singh S/O Late Meino Singh of Heirok Part(II) Bazar.

***- OPP***

**NOTICE**

*Heirok 20th December 2018*

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরি লৈনবা মিওইশিংদা খংহনজরী মদুদি হৈরোক তহসিল খূল নং ১২৯ হৈরোক পাট (২) পাটা নং ১৫৭ অরিবা ২৫৮/৭৩৮ অনৌবা ২১৬/৫৩০ নং দাগকী .১৩৩৫ হেক্টর চাওবা ইংখোল অসিগী পাটাদার শ্রী থোকচোম খোমদোন সিংহ মৃতু ওইখরে। মৃতু পাটাদারগী মচা শ্রী থোকচোম মিলন সিংহগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা এস দি সি হৈরোক কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। ইংখোল অসিগা মরি লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপিনিংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোংবা নুমিৎ ৩দগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনূংদা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা য়েৎপিরবা য়াগনি। হায়রীবা মতম অসিদগী হেল্লবদি কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস অসি মখা চংখ্রগনি। মতূংদা লাকপা অপতি লৌজরোই।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
**Heirok**

*SL/4262(a)22*

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without*

**Hard Sana Suduku-1371**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | | | | | 1 | 6 | | 2 |
| | | 7 | 2 | | | | 8 | 3 |
| | 6 | 1 | 3 | | | 5 | | |
| | | | | 8 | 4 | 3 | 2 | |
| 1 | | | | | 3 | | 7 | |
| 3 | 2 | | | | 6 | | 1 | |
| | 3 | | 6 | | | | 5 | |
| 8 | | 2 | | 3 | | | 6 | |
| 6 | | | | 1 | | | 3 | |

**সনা-সুদোকু -১৩৭০ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 7 | 6 | 8 | 1 | 3 | 2 | 9 | 5 |
| 1 | 3 | 9 | 6 | 2 | 5 | 7 | 4 | 8 |
| 2 | 8 | 5 | 9 | 7 | 4 | 3 | 1 | 6 |
| 6 | 2 | 8 | 5 | 9 | 7 | 1 | 3 | 4 |
| 5 | 4 | 7 | 3 | 6 | 1 | 8 | 2 | 9 |
| 9 | 1 | 3 | 4 | 8 | 2 | 6 | 5 | 7 |
| 7 | 5 | 4 | 1 | 3 | 8 | 9 | 6 | 2 |
| 3 | 6 | 2 | 7 | 4 | 9 | 5 | 8 | 1 |
| 8 | 9 | 1 | 2 | 5 | 6 | 4 | 7 | 3 |

**ꯑꯌꯨꯛ ꯃꯊꯧ/URGENTLY WANTED**

| POST | VACANCY | PREFER | SALARY |
|---|---|---|---|
| Helper/Nannies | 50 | Meitei / Tribal | 3500-5500 |

**Contact no. : 9862780781 & 8416065510**

**Time : 10:00 a.m. - 4:00 p.m.**

*SL/1194/Upto 24 December2018*

## GAS TODAY

**Manipur Gas**
Booking : 27/10/18
Valid : 24/10/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 09.30 a.m

**M. M. Gas**
Booking : 08/11/18
Valid : 02/11/18
Stk :306,5kg & 19kg Aval.
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Hrangchal Gas Agency**
Booking : 15/11/18
Valid : 13/11/18
Stk : 612

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 24/10/18
Sl. No. : 5280
Valid : 22/10/18
Sl. No. : 4701
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Khumbong Indane**
Booking : 11/11/18
Sl. No. : 175
Valid : 04/11/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Nongpok Sekmai Indane**
Booking : 01/11/18
Valid : 05/10/18
Stk : 306
Time : 08.00 to 10.00 a.m.

**Mahalashmi Indane**
Booking : 08/11/18
Sl. No. : 232780
Valid : 01/11/18
Stk : 306
Time :07.30 to 12.00 Noon

**Athokpam Indane**
Booking : 31/10/18
Valid : 27/10/18
Stk : 406
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Imphal L.P.G. Service**
Booking : 20/11/18
Valid : 12/11/18
Sl. No. :upto 200
Stk : 306, 19kg 174
Time : From 08.00 a.m.

**T D K Gas, Sekmai**
Booking : 01/11/18
Valid : 26/10/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Phougakchou Gas**
Booking : 13/12/18
Valid : 07/12/18
Stk : 306
Sl. No. 2693 upto 2999
Time : 07.30 to 11.00 a.m